# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-04-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ০৯-০৪-২০২৪, লৈবাকপোকপা)

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙাম্হোইনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) মনিপুরদা ঙসি শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোক্লি।

২) মনিপুর পুলিসনা হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুলায় কয়া মরুম ফাগৎখ্রে।

**অমসুং**

৩) থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**চৈরাওবা (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিদা মীয়ামা কুম অমগী অনৌ অপেনশিং লাইদা কৎলবা মতুং থোং থাক্তুনা মথেল লুকোয় কয়া য়ুম য়ুমগী থোংগানদা লমলাইদা থাদোকনৈ। ইমুং মনুং য়ুমলোন কৈরোন্নবশিং এনজাং লান্নদুনা হরাও তয়ামা চামিন্নৈ। নুংথিলগী মতমদা মীয়ামা মনাক নকপা চীং শিংদা কাবা চৎনৈ।

শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপদা লুচিংবশিং য়াওনা রাজনিতি দল অমদি লন্নাই সংস্থান কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়- অনৌবা চহি লাকপা হায়বসি মীপুম খুদিংমকা হরাওনিংঙাইনি। অনৌবা চহিনা লাকপদা মীয়ামা ৱারেপ কয়া মরুম লৌমিন্নরসি। চৈরাওবনা লাকপদা লমদম অসিদা শান্তি অমদি নুংশি চান্নবা পুরকবা পুন্না ৱারেপ লৌমিন্নরসি। মহাকা হায়- লমদম অসিদা জাতি কাংলুপ অনিগী মরী থুগাইনবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অদুমওইনমক মনিপুরগী মীয়ামা কাংলুপকী ইরাং থাদোক্তুনা ৱাখল লৈবা মীওই অমগুম থৌদাং কয়া উৎথোক্লি। শাজিবু নোংমা পানবনা লাকপদা খেৎনবা খ্দিংমক কাওথোকদুনা অফবা মনিপুর অমা ওইনবা পুন্না থবক তৌমিন্নরসি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়- কুম্মৈ অসিনা চহি অমা লোইদুনা অনৌবা চহি লাক্লে হায়বদু উৎলি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মনিপুরগী মীয়ামা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা লৈন্নরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা চাউখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনরসি। মহাকা হায়-কুম্মৈ অসিনা ঐখোয় পুমমক্কী মংলানবু মঙফাওহন্দুনা মনিপুরবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি।

মহাক্কী পাউজেলদা মহুৎ মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দননা হায়- শাজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংঙাই য়াইফবা ৱাতা পাদবা পীনবিবা ওইরসনু । লমদম অসিদা হেন্না নুংশি চান্নবা তংদু লৈতবা মরা তপ্পা লমদম অমা তুংকোয়না ওইহনবিবা শাজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপদা পুরকপা ওইরসনু হায়না ইস্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

পাউজেল অমদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডা: আর.কে রঞ্জননা হায়- মীতৈশিংগী অনৌবা চহি হৌবা শাজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবনা লাকপগা ইরোইননা লমদম অসিদা ইং তপ্পা,নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু । মহাকা হায়- কুম অমগী অনৌ অপেনশিং কৎতুনা লমদম অসিবু মহৌশাগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিলহল্লকবা পুন্না ইস্বরগী মফমদা থৌনিজরসি।

মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতি, সিব সেনা মনিপুর প্রদেশ, মনিপুর ইমানচিংবনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**কেম্পইন(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা মীখলগী কেম্পেইন কন্না চথনরি। ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুন্সিদা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা অঙোমচা বিমোল অকোয়জমগী মীখলগী কেম্পেইনগা মরী লৈননা ঙরাং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুম অমসুং য়াইরিপোক বিষ্ণুনাহাদা মীয়ামগী ওইবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থীবা হুন্নবগী থবক চঞ্জখবদা খুৎশু খুলায় কয়া মরুম ফাগৎখ্রে। মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চম্ফাই হিলদগী পোইন্ত ২২ রাইফল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৩৯, অহাংবা কার্তিজ ৭, জে.এম.কে এম্যুনিসন ২৮,ঐচ.ই.হেন্দ গ্রেনেট ১৫ য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা ওপিয়ম কে.জি ৫ মখায় রোম অমদি ব্রাউন্দ সুগরনি হায়না চিংনবা পোৎলম কিলোগ্রাম ১ অমরোম বিষ্ণুপুর জিলাগী তেরা খোংশাবিদগী মীওই অনিদগী ফারে। ফারবা মীওই অনি অদু জিলা অসিগী ক্বাক্তাদগীনি হায়রি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা মনিপুর পুলিসনা ঙরাং হেরোইনি চীংনবা পাউদর কিলোগ্রমা ১ রোম অমদি মখোয়না তোংলকপা গাড়িগা লোয়ননা মীওই অনি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবৈশোইদগী ফারে। ফারবা মীওই অনি অসি কামজোং অসিদ উখ্রুল জিলাদগীনি।

পুলিসকী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- শেলগীদমক নমদুনা মী ফাবদা চেন্নবা মীওই অনি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী পুলিসনা ফারে লোয়ননা মখোয়না ফাদ্না পুরম্বা মীওই অমসু কনবা ঙমখ্রে। অমরোমদা, থৌবাল জিলাদা মনিপুর পুলিসনা মীওই অমা কনবা ঙমখ্রে। মহাকপু ফাবদা চেননবা মীওই ৫ ফাগৎপসু ঙমখ্রে।

**এ.আর(এল)ঃ** কংলাতোংবি ফাওদুনা মোটবুং চংন্নবা হোৎনরম্বা মীওই অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কনখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মন্ত্রি পুখ্রিদগী মীওই অসি মহাক্কী সাইকলদা মোটবুং তমা লাকপনি। মদুদা কাংলাতোংবিদা লৈবা অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ অমদি মনিপুর পুলিসকী কাংবুনা মতম চানা মহাকপু কনবা ঙমখিবনি। তুংদা ৱাহং পাউহং চঞ্জখবদা মাওই অসি ৱাখল চোইরবা মীওই অমা ওইরম্বদগী সেকমাই পুসিল ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**চান্দেলঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শীন্দুনা জিলা অসিদা সেপাকতাক্রৌ মশান্না ঙরাং চান্দেলদা হৌদোকখ্রে। জিলা অসিগী হৈবুংলোক ভিলেজ মল্টি পরপজ হোলদা ঙরাং মশাননা অসি হৌদোক্লদুনা দিপ্যুতি কম্মীস্নর ময়াংলম্বম রাজকুমারনা হায়- শান্নখোৎনবগী লমদা মায় পাকবগীদমক শান্নরোইশিংবু লৈরিবা স্পোর্টস এসোসিয়েসন,ক্লবশিং, ওজাশিং অমদি মীয়ামগী মতেং তঙাই ফদে। দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা হোৎনরিবা অসিগুমা অতৈ জিলাশিংদসু হোৎনরবদি মনিপুরদা অফবা শান্নরোই হেননা পুথোকপা ঙমগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা চান্দেল পুলিস অমদি খুরিংমুল য়ুথ ক্লব অনিন সেপাকতক্রৌগী একজিবিসন মেটচ অমসু শান্নখি।

**রেদক্রৌস**ঃ ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী থা অমা চুপা চৎথগদবা ৱার্ল্ড রেদ ক্রোস দে থৌরম ঙরাংদগী ইম্ফালদা লৈবা সোসাইতি অসিগী কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে। থৌরম অসিদা ভোলুন্তিয়রশিংদা ফ্রাষ্ট এদকী ত্রেনিং পীবা, ভোলুন্তিরি ব্লদ দোনেসনগী এৱার্নেস পীবা অমদি কেম্প শিনবা লোয়ননা হৌরক্লিবা নহাশিংদা হৈথোই শিংথোইবাহেনগৎনবগী পান্দমদা পেন্তিং কম্পীতিসন, শৈরেং থীবা চাংদমবা, কুইজ কম্পীতিসন,ফোল্ক সোং কম্পীতিসন , লিদরস মিটনচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে হায়রি ।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**লোক সভাঃ**থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি। তাঙ্কক অসিদা লোক সভা কেন্দ্র ১০২ গী মীখল রাজ্য ২১ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদা ভোট থাদনগনি।

অসামদসু লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। অহানবা তাঙ্কক্তা লোক সভা কেন্দ্র ৫ দা ভোট থাদনগনি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ ঙসি দিব্রুগর, লক্ষিম্পুর অমসুং সোনিতপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াগনি। কংগ্রেস প্রসিদেন্ত ভুপেন বোরা, সংসদ সদস্যা গৌরব গোগোইনচিংবা কয়ানা মীখলগী মীতিনশিংদা শরুক য়াখি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক হৌজিক ৱাইখোম চিত্রাধানি লৈরে--**

**--চিত্রাধানি--**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মনিপুরদা ঙসি শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা পাঙথোক্লি।

২) মনিপুর পুলিসনা হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থীবা হুন্বগী থবক চথ্বদা খুৎশু খুলায় কয়া মরুম ফাগৎখ্রে।

**অমসুং**

৩) থা অসিগী ১৯ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

## থাগৎচরি-ঙাস্থোই

**পোকফমদা**- সেন্তরনা মতম চানা খুৎথীংজিনবদগী মনিপুর কনবা ঙমখিবনি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুররি ইদিসনদনা**- তুংগী লাইবক লেপকদবা মীখলনি হায়বা বিমোল একোয়জমগী ৱাফম অহানবা হেদালইন তৌরি।

**মনিপুর মেলদা** -য়ুনাইতেদ কিংদমদা বেতল ওফ কংলা তোন্বী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**নহারোলগী থৌদাংদা** - আউতরগী ওইনা ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ ডা: এলিসন অবোনমৈদা এম.পি.পিনা শৌগৎলগনি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**ঈচেল এক্সপ্রেসতা** - ইন্দিয়াদা কেন্সর নাবগী চাং কা হেননা ৱাংলে, কেন্সর কেপিতেল ওফ দ ৱার্ল্ড মীংথোন ফংলে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা** - মনিপুরদা ইহান হানবা ওইনা য়ুরেসিয়ান করলিউ হায়রিবা উচেক অসি উবা ফংলে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**সনা লৈবাক্তা** - বি.জে.পিদা ভোট থাদৌ হায়রুই হায়বা বুট লেবেল ওফিসর শিন্দোকখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**হুইয়েন লানপাউদা**- লৈঙাক্কী লোইশঙ কয়ানা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক থুগাইবা থৌওংশিং চত্থরে হায়দুনা কংগ্রেসনা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**মনিপুর নিউজতা** - কাঙলুপকী ইরাং মনুংদা মহারাষ্ট্রদা পুখিবা অঙাং ২০০গী মনুংদা ৫০ মনিপুরদা পুরকখ্রে হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- রিলিফ কেম্পদা লৈরিবা মীয়ামা মীখল অসি ঐখোয়দদি করিশুবা কান্নদ্রে হায়বগী মতাংদা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**পিপলস ক্রোনিকলদা** - য়ু.এস.কি সাইন্তিসশিংনা মালেম অসিদা শাবগী চাং হন্থনবা চাংয়েং কয়া তৌখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**মোর্নিংবেলদা**- রিলিফল কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা মীখলগী মমাংদা শান্তি পুরকবা অশা তৌরি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**গানফিউ মেলদা** - মনিপুরগী হিংশা অসি বি.জে.পিগী রাজনিতিগী খেৎনবা অমদি তোখায়বা লৈহনবা অদুগী মহৈনি হায়বা জয় রাম রামেসকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**তমেংলোং টাইমসতা**- নোনে জিলাদা মৈ চাং নাইদবগী মীয়ামা ৱাকৎখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

**হিল হোনবিল এক্সপ্রেসতা** - মেট দিপার্টমেন্তনা অৱাং নোংপোক ভারতকী লমদমশিংদা নোং চুগনি হায়বগী পাউ ফোংলি। --**ঙান্থোই**--